

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ*

*পি এস ভিদগী ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা য়ুরো মিলিয়ন ২৭তা সাইন তৌখ্রবা নেদরলেন্দসকী ষ্টেভেন বর্গৱিজন*

## মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই বালা দেবী স্কোটিস ক্লব রেঞ্জর্সতা থা ১৮ গী সাইন তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই বালা দেবী স্কোটিসকী টিম রেঞ্জর্সতা থা ১৮ শান্ননবগীদমক সাইন তৌখ্রে। মহাক্না রেঞ্জর্সতা সাইন তৌদুনা শান্নগদৌরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা মালেমদা প্রোফেসনেল ফুটবোল্লর ওইবা অহানবনি।

স্কোটিস ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্সনা মহাকপু ক্লব অসিদা সাইন তৌনবগী ইন্টরনেসনেল ক্লিয়ারেন্স অদু ঙসি পীরকখিবনি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবী বালা দেবী ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমগী মনুংদা লিদিং স্কোরর ওইবা ঙল্লিবনি। কুমজা ২০১০ দগী ইন্টরনেসনেল মেটচ ৫৮ শান্নখিবদা গোল ৫২ চনবা ঙমখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা সাউথ এসিয়ান রিজনদা টোপ ইন্টরনেসনেল গোল স্কোরর ওইবা ঙল্লি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগকী মমাঙগী ইদিসন্দা বালা দেবীনা মণিপুর পুলিস টিমদা শরুক য়াদুনা মেটচ ৭ শান্নবদা গোল ২৫ চন্দুনা গোল স্কোর ওইখি। লোয়ননা মমাঙ চহীগী নেসনেল ৱুমেন'সতা বালা দেবীনা গোল্ড ২১ চন্দুনা টোপ গোল স্কোর ওইবা ঙমখি।

বালা দেবী হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নেসনেল নুপী ফুটবোল টিমদা কেপ্টেনগী থৌদাং পুরমদুনা ইন্টরনেসনেল কেরিয়রদা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবী শান্নরোই অমসু ওইবা ঙল্লি। মহাক মশাগী চহী ১৫ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমদা শরুক য়াবা হৌরকখি।

বালা দেবীনা দোমেষ্টিক ফুটবোলদা মেটচ ১২০ শান্নবদা গোল ১০০ হেন্না চনবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগকী মমাঙদা পাঙথোকখিবা সিজন অনীদসু বালা দেবীনা থংন-থংননা টোপ স্কোর ওইবা ঙমখি। মহাক্কী ফজবা পার্ফোমেন্স অদুনা মরম ওইরগা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী ৱুমেন'স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৬ তা ফংবা ঙমখি।

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জর্সতা সাইন তৌদুনা শান্নগদৌরিবা অসি থাজরুদবনি হায়না বালা দেবীনা রেঞ্জর্সতা সাইন তৌরবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

ঐহাক্না থাজে মদুদি মহাক্না রেঞ্জর্সতা শান্নগদৌরিবা অসিদগী এক্সপরিয়েন্স পুরক্কুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা অনৌবা মায়ওন অমা লাকপা ঙম্লগনি হায়না বালা দেবীনা মখা তানা ফোঙদোকখি। মহাক্না রেঞ্জর্স ক্লবতা শান্নরিঙৈদা টোপ ক্লাস ফেসিলিটি অমসুং কোচিংগী ওইবা অনৌবা কয়া অমা ফংলগনি হায়না মহাক্না হায়খি।


বালানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাকপু ক্লব অসিনা থাজবিবদগী রেঞ্জর্স ক্লবকী ৱুমেন'স অমসুং গালর্সকী মেনেজর এমী মেকদোনাল্ড, কোচিং ষ্টাফশিং অমসুং মেনেজমেন্ট টিম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী ত্রাইয়েল ষ্টিন্টতা থাজরুবদগী হেন্না মহাক্না উৎথোকখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা রেঞ্জর্সকী কোচিং ষ্টাফশিংবু অপেনবা পোকহনখি।

বালানা স্কোটিস ক্লব রেঞ্জর্সতা সাইন নৌনা তৌখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী হৌগৎলক্লিবা নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংদা অনৌবা থৌনা অমা পীরগনি। বেঙ্গালুরু এফ সিনা রেঞ্জর্সকা পার্টনর ওইদুনা তেল্লবা মতমগী মনুংদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী লৌরক্লিবা থৌদাংশিং অদুবুসু রেঞ্জর্স ক্লবকী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।



## জেবলিন থ্রোৱার নিরজ টোকিও ওলেম্পিকক্স ক্বালিফাই ওইখ্রে



*পোটচেফষ্ট্রুম, জনুৱারি ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইখ্রে।

সাউথ অফ্রিকাগী সিটি পোটচেফষ্ট্রুমদা পাঙথোকখিবা এথলেটিক্স সেন্ট্রেল নোর্থ ইষ্ট মিটিং লীগতা মিটর ৮৭.৮৬ শান্না লংদুনা ইভেন্ট অসিগী মকোক ওইদুনা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা ইন্দিয়াগী জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা খূৎনিং নাবদগী ফরল্লবা মতুং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা এটেম্পতা নিরজনা মিটর ৮১.৬৩ লংখি। অনীশুবা এটেম্পতা মিটর ৮২ লংবা ঙমখি অদুগা অহুমশুবা এটেম্পতা মিটর ৮২.৫৭ লংবা ঙমখি।

নিরজনা মহাক্কী মরিশুবা এটেম্পতা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন মার্ক ওইরিবা মিটর ৮৫ লান্থোকপা ঙমদুনা মিটর ৮৭.৮৬ লংবগা লোয়ননা মকোক ওইদুনা টোকিও ওলেম্পিকক্স ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলেট রোহিট যাদবনা মিটর ৭৭.৬১ লংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নিরজ চোপ্রা খূৎনিং শোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা আই এ এ এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ, দাইমন্দ লীগ অমসু এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। মহাক্না জাকর্টা এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪১৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| F | I | S | T | S | | J | O | S | H | | B | E | L | A |
| O | C | T | E | T | | O | A | H | U | | E | L | A | N |
| G | U | Y | M | A | D | I | S | O | N | | A | M | P | S |
| | | | P | R | O | N | E | | D | E | M | O | T | E |
| L | A | K | E | R | S | | S | E | R | S | | L | O | L |
| A | M | A | | Y | E | A | | L | E | T | R | I | P | |
| H | A | T | E | | | T | R | A | D | E | I | N | | |
| R | H | E | T | T | | C | A | P | | E | M | C | E | E |
| | | J | O | B | L | O | T | S | | | E | O | N | S |
| | C | A | N | O | E | S | | E | A | T | | L | I | P |
| P | A | C | | N | A | T | O | | B | R | A | N | D | O |
| I | N | K | I | E | R | | T | I | E | U | P | | | |
| T | O | S | S | | J | O | H | N | D | E | N | V | E | R |
| A | L | O | E | | E | V | E | N | | S | E | W | E | D |
| S | A | N | E | | T | A | R | S | | T | A | S | K | S |

## এফ সি গোৱা মায় পাক্কুনা লীগকী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎখ্রে

*ভুবনেশ্বর, জনুৱারি ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল)গী ঙসি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এফ সি গোৱানা য়ুম্বু টিম ওড়িষা এফ সিবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অসি হেক শান্নবা হৌরকপদগী এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চগ্খদুনা লাকখি। অদুবু গোৱাগী এটেকশিং অদু ওড়িষা এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী ২১শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ওড়িষা এফ সিগী শান্নরোই ভিনিট রাইনা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা এফ সি গোৱানা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

গোল মাঙজিল থারিবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ২৪শুবা মিনিটতা চগ্খরকখিবা এটেক অমদা মান্দর রাও দেসাইনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট জেক্কীচান্দ সিংহনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি। মতম ইকান কান্নদনা মেটচকী ২৭শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী অনীশুবা গোল চনখিবা জেক্কীচান্দ সিংহনা হুগো বোমসকী মতেংনা গোল অমগা চনশিল্লগা ৩-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনিটতা ওড়িষা এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা নরায়ন দাসনা পীরকপা পাসা অমদা টিমমেট মেনুয়েল ওনৱুনা গোল অমা অমা চনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনিটতা ওড়িষা এফ সিগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা মার্টিন পেরেজ গুইদেসনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা মেনুয়েল ওনৱুনা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখিবদগী ২-৩ দা শোগ্খদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী মতম খরদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী অরোইবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চগ্খরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই কোরোমিসাননা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৪-২ দা ওড়িষা এফ সিবু মায়থিবা পীদুনা আই এস এলগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা লীগ মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং হায়দরবাদ এফ সিনা লম্বা তৌনরগনি।


ꯑꯏꯁꯦꯛꯇ

SL/5771/26+15 days

AISECT Academy for IT & Management
Academy for Teachers Training

ADMISSION OPEN

*M. Sc.(IT) | M. Sc.(CS)| MSW | M. Lib
M. Com | MA | M. Sc.| BCA | B.Sc. (IT)

PGDCA | DCA | CCA | CCC

Diploma in Nursery Teachers Training
12 Pass | 1 year
Certificate in Nursery Teachers Training
12 Pass | 6 Months

*30+ programmes in IT|Mgmt|Comm|Arts|Sc. Faculties
*Distance & Private programmes under
Dr. C.V. Raman University & Rabindranath Tagore University

For details, feel free to visit:
AISECT Thoubal Wangmataba, AISECT Building
#7005356020


## রোহিটকী সিক্স অনীনা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু সুপর ওভরদা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ৩-০ দা লৌখ্রে

*হেমিল্টন, জনুৱারি ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ন্যু জিলেন্দ টুরগী মনুং চন্না ঙসি হেমিল্টনদা শান্নখিবা ৩শুবা টি-২০ মেটচতা রোহিট শর্ম্মনা সুপর ওভরগী অরোইবা বোল অনীদা থংন-থংননা সিক্স ২ য়ৈদুনা ন্যু জিলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ ৩-০ দা মাঙজৌননা লৌবা ঙমখ্রে।

৩শুবা টি-২০ মেটচ অসিগী টোস য়ুম্বু টিম ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ১৭৯ লৌখি।

ইন্দিয়ানা ওপনর রোহিট শর্ম্ম অমসুং কে এল রাহুলনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ৮৯ য়ৌহনবা ঙমখি। ওপনর লোকেস রাহুল বোল ১৯ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন সিভম দুবে শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না রোহিটকা মখা তানা শান্নরকপদা ওপনর রোহিট শর্ম্মনা বোল ৪০ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬৫ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু বোল ২৭ তা সিক্স অমা অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৮ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। শ্রেয়াস আয়রগী রন ১৭ অমসুং আওট ওইদনা মনিস পান্দে অমসুং রভিন্দ্র জাদেজোনা মথংশিংনা লৌরম্বা রন ১৪ অমসুং ১০সু টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ন্যু জিলেন্দগী বোল্লিংদা হামিস বেন্নেটনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দনা মায় পাক্নবগী রন রন ১৮০ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ওভর ২০দা বেটসমেন ৬ আওট ওইরগা রন ১৭৯ লৌখিবদগী মেটচ অসি টাই তাদুনা সুপর ওভর শান্নরকপদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙমদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ অসি ৩-০ দা মাঙজৌননা লৌবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দগী ওপনর মার্টিন গুপ্তিল রন ৩১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর কোলিন মুনরো রন ১৪ দা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন ওইখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন্না বোল ৪৮ দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৯৫ লৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকপগী লম্বেলদা পুখৎলকখি। অদুবু অরোইবা বোলদা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন রোজ টেলরনা রন অমা লৌগদবদা ইন্দিয়াগী বোল্লর মোহমদ সামীনা আওট তাহনখিবদগী মেটচ অসি টাই তাখিবনি। রোজ টেলর বোল ১০ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন্ ১৭ লৌরমখি।

মেটচ অসিগী মায় পাকপা টিম খন্নবা সুপর ওভর শান্নবগী মথৌ তাখি। সুপর ওভর শান্নরকপদা ন্যু জিলেন্দনা হান্না বেট্টি তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর অমদা রন ১৭ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মায় পাক্নবা রন ১৮ লৌবগী মথৌ তাহনখি।

ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ওপনর রোহিট শর্ম্মনা অরোইবা বোল অনীদা সিক্স ২ য়ৈদুনা অহুমশুবা টি-২০ মেটচ অসি ইন্দিয়ানা মায় পাক্কুনা মেটচ ৫ গী টি-২০ সেরিজ অসি মাঙজৌননা ৩-০ দা লৌবা ঙমখি।

## ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন ঃ নুপাগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান নদাল মায়থিবা পীদুনা থিয়েম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে





*মেলবর্ন, জনুৱারি ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

নুপাগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল মায়থিবা পীদুনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাসু ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালবু য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা সেট ৪ শান্নরবা মতুং ৭-৬(৭-৩), ৭-৬(৭-৪), ৪-৬, ৭-৬(৮-৬) দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকা লম্বা তৌনরগনি।

জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১৫শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু ১-৬, ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ৩০শুবা সিদেদ রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভাবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা লম্বা তৌনরগনি।

৪শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ২৮শুবা সিদেদ ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-১, ৬-১ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমসুং চেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা অনীশুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র সৈ সু ৱৈ অমসুং বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী পেয়র বারবোরা ক্রেজসিকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬-২, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।


ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ৭শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র চান হাও চিং অমসু লটিসা চানবু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী বেথানি মাটেক সেন্দস অমসুং বৃটেনগী জেমী মুরেনা চাইনাগী ঝেং সাইসাই অমসুং বেলজিয়মগী জেরান ব্লৈজেনবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী এষ্ট্রা শর্ম্ম অমসুং জোন পেট্রিক স্মিথনা পোলেন্দগী পেয়র আইগা স্বিয়াটেক অমসুং লুকাস কুবোটপু ৩-৬, ৭-৬(৭-৪), ১০-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

## হেরো আই লীগঃ দিপান্দাগী হেটত্রিকনা পঞ্জাব এফ সিনা নেরোকা এফ সিবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে

*লুধিয়ানা, জনুৱারি ২৯ (এজেন্সি)ঃ* হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এসিয়র দিপান্দাগী হেটত্রিক্না পঞ্জাব এফ সিনা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সিবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।



পঞ্জাব এফ সিনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী নেরোকা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চগ্খদুনা লাকখি। মেটচকী ৪শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই ভরুন থোকচোমনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা নেরোকা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চগ্খদুনা লাকখি। মেটচকী ২০শুবা মিনিটতা নেরোকা এফ সিগী শান্নরোই ফিলিপ এদজাহনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোগ্খরিবা পঞ্জাব এফ সিগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ২৬শুবা মিনিটতা চগ্খরকখিবা এটেক অমদা এসিয়র দিপান্দানা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ১ ৱাৎলিঙৈদা য়ুম্বু টিম ওইরিবা পঞ্জাব এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা এসিয়র দিপান্দানা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২-২ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী অরোইবা মিনিটতা পঞ্জাব এফ সিগী শান্নরোই এসিয়র দিপান্দা মহাক্কী হেটত্রিক গোল অদু চনবগা লোয়ননা মেটচ অসি গোল ৩-২ দা মায় পাকখি।